ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯃꯦ ꯱꯶, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯵꯱ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, মে ১৬, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৫১শুবা মশীং

# মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী কেস লৈরকপা

## মতম শাংনা মীওইবা খুন্নাইগা শাগোন্নরগদবা লায়না-লাইচৎ

মতম খরা কোভিদ-১৯গী কেস লৈতবা ষ্টেট ওইরে হায়না লাউথোক্লুরবা মণিপুরদা হৌজিক অনৌবা কেস অমা থেংনরে। মণিপুরগী অহুমশুবা কেস ওইনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকখ্রবা মীওই অদু মুম্বাইদা লায়েংলুবা মহাক্কী অপোকপা অমদি অতোপ্পা মীওই অনীগা লোয়ননা লন্নাই গাড়ী অমদা থোরকখিবনি। হৌজিকমক্কী ওইনা লাইওং উৎথোরক্ত্রগসু পোজিটিভ ওইরে খঙলবা মীওই অদু জেনিমসকী আইসোলেসন ৱার্দতা থমদুনা লায়েংবা হৌখ্রে। চৈরকসিদা ইন্দিয়াগী অতে অতোপ্পা মফম কয়াদগী মণিপুরী কয়া লেপ্তুনা থোক্নরক্লিবা মরম্না গ্রীন-জোন ওইরুরবা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী অতে অতোপ্পা কেস কয়াসু লৈরকপা য়াই। অমরোমদা, খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসিনা মালেমদা শিহনখিবা মীশিং লাক্ষ ৩ হেনখিবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ানা ১২শুবদা লৈরে হায়রিবসি নুংনাংবা পোক্লিংঙাইনি। খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসিগী কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা লৈবাকশিংদি মথং-মনাও নাইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, স্পেন, রসিয়া, য়ুনাইটেদ কিংদম, ইটালি, ব্রাজিল, ফ্রান্স, জর্মনি, টর্কি, ইরান, চাইনা অমসুং ইন্দিয়ানি। খ্বাইদগী ইহান-হান্না শন্দোরকখিবনি হায়না থাজনরিবা অমসুং কোভিদ-১৯গী ইপিসেন্টর ওইরম্বা চাইনাগী হেক ঙমথংদা ইন্দিয়া লৈরে। মতাং অসিদা হৌজিক খন্ননীংঙাই ওইরিবসি কোভিদ-১৯গী মতাংদা হান্না খঙনরমদবা লাইওং কয়া লৈরম্বগী মতাংদনি। অহানবদা লায়না অসিগী লাইওংশিং লোক থুংবা, খনাও নাবা, লাইহৌ হৌবা অমসুং চনিং তানা নিংশা হোনবা ঙমদবনি হায়না লৌনরম্মী। অদুবু ব্লদ ক্লোটনা ঈ উতোং ফুলহন্দুনা তোঙান-তোঙানবা হকচাংগী মফমশিংদা ঈ য়ৌবা ঙমহন্দবা, হকচাংগী কয়াৎ কয়ামরুম মথৌ লেপহনখিবা, খোঙয়া নৎত্রগা খোঙবীদা মচা-মচা পোমথোরকপা অমসুং কঞ্জংটি ভাইটিসকী মওংদা মীৎ ঙাঙশিল্লকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া উৎথোরকপসু থেংনরে।

পূন্নমক অসিনা মরম ওইরগা খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসি বাইওলোজিকেল ৱেপন্স ওইনা শেমগৎখিবা ভাইরস অমনা থোকহল্লকপনি হায়না মায়কৈ কয়াদগী ঙাঙনরক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হায়রিবদি চাইনাগী লেবোরেটরি অমদা বাইওলোজিকেল ৱেপন্স শেমগৎপদা শোয়বদগী ভাইরস খরা পাইথোরল্লগা মালেমদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ পাক-শন্না শন্দোরকপনি হায়বসিনি। য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনা হায়খি, দিসেম্বর থাগী অরোইবা শরুক্তা চাইনাগী ৱুহান সিটিদা লৈবা লেবোরেটরি অমদগী ভাইরস খরা শোয়বদগী পাইথোরক্তুনা মালেমগী মফম পূন্নমক্তা শন্দোরকপনি। চাইনানদি ৱাফম অসি অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোকখি। হীরম অসিদা ৱর্ল্দ হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না অখন্নবা মীৎয়েং চঙলকপগা লোয়ননা থিজিনবদা ভাইরস অসি চাইনাগী লেবোরেটরি অমদগী পুথোরকপনি হায়বগী খুদম ফংবা ঙমখিদে। য়ু এসকী মকোক থোংবা ইপিদমিওলোজিষ্ট এন্থোনি ফোসিনসু খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা ভাইরস অসি খূৎশেমগী ওইবা মওংদা পুথোকপা ঙম্বগী ৱাফম লৈরোই হায়না মোত পীখি। দব্লিয়ু ঐচ ওগী এক্সপর্ট মারিয়া ভেন কর্খোবেনা হায়খি, নোভেল কোরোনাভাইরসকী জিনোম সিক্বেন্স মপূং ফানা তৌবদা খূৎশেমগী ওইবা মওংদা শেমগৎলকপগী খুদম থেংনদে। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা অতেনবা মতমগী মনুংদা মীওইবা খুন্নাইদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরক্লি। খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসি শন্দোরকপগী মতাংদা অমনা অমদা মরাল শীনবগী থৌওং মফম খুদিংমক্তা উবা ফংলি। ইন্দিয়াদসু অখন্নবা মীওই কাঙলূপ অমদা মরাল শীবগী মওং অমা উবা ফংলি। লায়র-ইনাকখুনবা খায়দনা কাঙলূপ খুদিংমক্কী মীওইশিংদা চৈথেং পীরক্লিবা লাইচৎ অসিগী মতাংদা অমনা অমদা মরাল শীনবগী মহুৎতা অমত্তা ওইনা খূৎশম্নরগা মতিক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎমিন্নবা মতম ওইরে। লৈঙাক্লসু লায়না-লাইচৎ অসি মতম শাংনা মীওইবা খুন্নাইগা শাগোন্নদুনা লৈখিগনি হায়বা খঙবীবগা লোয়ননা মতিক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎপা মথৌ তাই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### কোভিদ-১৯ ফ্রী ষ্টেট ওইরম্বদগী কিনিংঙাই ওইরবা ষ্টেট অমা ওইরক্কদৌরিবরা?

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

মতম অমদা কোভিদ-১৯ লায়না অসিনা মালেমগী লৈবাক কয়াদা পাকশন্না শন্দোরকখ্রবসু মণিপুরদা য়ৌরক্তবনা থোইনা মীপাইনরমদে। অদুবু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেস অমদগী অনী লাকখিবা মতমদা অঙকপা ফংনা মাগী খুন অমদি সিটিগী ফাওনরিবা লন্বীশিংদা শম্বল খানদুনা তমথীবা ঐখোয়তবু হিংহৌরবদি, ঐতবু হিংহৌরবদি হায়বগী ৱাখল্লোল অমা লাকপা উখি। অদুবু লাইবক ফবদগী কেস অনী অদু মতম খরগী মতুংদা নেগেটিভ ওইরক্তুনা খুন্নাই অসিদা খজিক নুংশা শ্বর হোন্দোক্লখি। অদুবু ঙসিদি কেস অহুম শুজিনখ্রে, মথংগী নুমীৎতা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী কেসকী মশীং হেনগৎলকপা য়ানা লৈরে।

হৌজিক কোভিদ-১৯না শাথিনা শোকহল্লবা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা পন্দুনা লৈরম্বা মণিপুরী কয়াসু লেপ্তুনা লৈঙাক্লা পুশিনবিরক্লি। লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা খোঙথাং অসি তশেংনা থাগৎনিংঙাইনি। কোভিদ-১৯ পোজিটিভকী কেস মশীং হেনগৎলক্লিবা অসি হৌজিক্কী ওইনদি মপান্দগী লাকপা মীওইশিংনা ওইরি। অদুবু হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা য়াম্না মুন্না খন্থরুরবদি মপান্দগী লাক্লিবা মণিপুরীশিং অসিদগীসু হান্না লৈজরম্বা মীওইশিংদা লায়না অসি শন্দোরকপা য়ানা লৈরে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা মপান্দগী চঙলক্লিবা মীওইশিংবু লোইনা টেষ্ট তৌরগা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎহন্নিংই। নৎত্রবদি মণিপুরদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীশিং অহুমদগী মরি, মরিদগী মঙা, মঙাদগী তরুক অমদি তরুক্তগী চাম্মা, চাম্মদগী লিশিং য়ৌরকপা য়াবগী অকিবসু লৈতবা নত্তে। করিগুম্বা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটি কেস ১০০ হেক শুখিবদা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না অমদি লৈঙাক্লা ৱাগদবা অদু উরুবদা অৱাবা অমগী মশকনি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী লেপ্পা লৈতনা পুশিনবিরক্লিবা মণিপুরীশিংবু য়াম্না চেকশিন্না শেনবিবগী তঙাইফদবা লৈ হায়জনিংই।

*অদোমগী - এন জি ননাও, মোইজিং*

# কোরোনা ইমাগী থৌজালদগী

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



অসিনা কনানো? মানা কনাগী মচানো, মানা কনাগী অঙাংনো হংবদা শিদৌরে হায়দু হেক য়ৌই। ঐখোয়গী লৈকায়দা মশক মশা ইখঙ খঙদবা মী য়াম্না লৈরম্মী। চহী ৩০ মুক্কী মনুংদা লৈবা মী অমগী মনুংদা ৯৫দি মশক খঙবা ঙমদ্রে। নুপামচাদা মশক খঙবা ইয়াও য়াওদ্রে, নুপী মচাদসু ইয়াও য়াওদ্রে, মশক মশা খঙবা অঙাং পংয়াওবু য়াওশিল্লক্ত্রে। লৈশাবী মচা ঐনা মশক খঙবা, খূৎ থেক্লা পাবা য়ারি। মৌ অনৌবী ময়াম অমা লন্বীদা হেক থেংনবদা মশক খঙবা ঐনা মাদি অদুনি-অদানি হায়না খঙবা অমত্তা ওইদ্রে। মী পূন্নমক ঐনা মশক খঙবা য়াওরক্ত্রিবা অসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক অমা হায়বা তারবদি ঐ অসে মল্লে, হনুবা হৌরে, কান্নদরে শিদৌবা কুইদ্রে, শিনবা থৌরাং তৌরো, মখা তানা মী মশক খঙলুরনু হায়না লৈ-লৈতে হায়না য়েৎননরিবা তাইবঙ শেম্বা মপুনা ঐঙোন্দা ৱার্নিং তৌবা হৌরক্লবা হায়দুরনে? ঐখোয় মশেল লৈকায় অমত্তদা ইশক-ইশা খঙনদনা, হিংই হায়বফাও খঙনদনা হিংনরি। লৈকায়দি লায়রি। ইখ্থোলনুং অসিদা লৈমিন্নরিবা অঙাং তরাগী মশকনি করম্বনা কনাগী মচানো, মমিংনা করি করি কৌবা অমত্তা হায়বা ঙমদে। ঙাইহাক লৈতনা ঐগা চাক চামিন্নবা, ঐবু মালিশ তৌবিররিবা, ঐনা শোন শবা তৌরিবা অঙাং অনী অসি নত্তনা।

লোকদাউননা য়ূমদগী মপান থোকহন্দ্রবা মতম অসিদা ঐখোয় লৈকায়গী মী অয়াম্বা উবা ফংলে। ঐখোয়গী লৈকায়গী মী মান্দবা য়াম্না চাওখৎপা মানবা, য়াম্না হিংচাবা মানবা, য়াম্না হূরানবা মানবা, নুপীদা চোপ্পা, ইচে ইচনশিংবু শরাক তমগে খনবা মানবা, চেঙ হূরানবা মানবা, থাউ থৈদোকপা মানবা, পর্সেন্টেজ চাগনগে তৌবা মানবা, শো তৌরগা লৈবাক নীংবা শাবা মানবা, ওইদবা ঙাঙলগা অপঙবা অতাবশিংগী থম্মোয় ঙাওহনবা মানবা মী কয়া লন্বীদা লেপ্প লেপ্পগা লৈবা উরে। (ঐখোয় লৈকায়গী লন্বীদা)। নহান মখৈ কদাই কদাইদনো পঙচৎতা চৎলগা লৈনরুবা অফবা অঙাংশিং, অফবা নুপীশিং অফবা নুপাশিংদা নত্তনা মীরৈহৎ ওইবা ময়াম অমসু চৎথোকপা য়াদবনিনা চৎথোক্লুবসু কোরোনা লাইরেম্বী ওক্লরুদৌবা লৈবনিনা য়ূমদা, লৈকায়দা পুল্লপ তাশিন্দুনা লৈররে। লন্বী মপান্দা খোঙ শাংনা তিংথোক তিংথোক্লগা হাকাম ৱা-ৱা চন্দুনা ফল্লগা লৈবা নত্তনা উপাইসু-পাম্বৈসু অনীমক লৈতে। লৈকায়গী নহানমখৈ উরম-উরমদবা মী লোইনা উবা ফংহল্লে কোরোনা লাইরেম্বীনা। কনাগী মচানো মানা হা? মাবু পিশক্কী মচারনে? মাবু তাইচাগী মমৌরনে? হাকুম লুহোংবদো অসিনচিংবা। হেক উবদা তান্নদুনা মাবু কনানো? নঙবু কনানো হায়বা ৱাহং নত্তনা ননাই য়াক্কী য়ানুংদগী, ঙাকপীগনি, চীম্বালদগী থোরক্ত্রে। ঐনা চহী মশীং য়ামশিল্লকপগী ফত্তবা অমা হায়বা তারবদি মসি ওইবা তাই, মীৎ ফরক্তবা, না ফরক্তবা, নাত্রা শেন্দ্রানবা নক্লা উবা ঙমলক্তবা, ইচা-ইমৌগী লৈকায়গী অঙাংগী মখোল মৱা খেন্নবা খঙবা ঙমলক্তবা অসিনা মওইরিদ্রা? সিনা ঙাকসু ওইরম্মোইনা? অমগা অমগা উনরক্তবা, উননবা মতম ফংনরক্তবা মীগা মীগা য়াম্না লাপ্পরকপা, নক্লা লৈনরবসু কা মনুংদা ফোন্দা পায়দনা অসুম লৈনখিবা অসিনসু মচাক অমা অদুম ওইরিরোইদ্রা? মীগা মীগা উনবদি য়াম্না ৱাৎলে। কোরোনা লাইরেম্বীনা তানশিন্দুনা মী লোইনা ময়ূম ময়ূমদা লৈনৈ। মদুদা উননবা তাঞ্জা অমা ফংনৈ, উননরৈ হংনৈ, নঙনা কনা, মানা কনা, ঐনা কনা? অহল ওইগেরা, মমীৎ শোক্কেরা, মনা পঙগেরা, অহলনা নহা মচাশিংবু লোইনা খঙবা ঙমদবগী নাৎ অমবুদি লৈ, কোরোনা লাইরেম্বীনা শাখি। সুম হংবা হেনমনখিদনা মীৎনগা মপাঙ্গল ৱাৎলকপগা ইচানুপীদা নহান্দি কনাগী ইমৌগী মৌনাউনো মশক ফজৈদা হায়রুবু ইচানুপীনা নঙদি কনাগী মপানো হনুবা য়াতেকপা মচোঙপাক নাইদেদা হায়রকপদা মৈশা ফাওনদুম ইকায়বা পোকই। কোরোনা লাইরেম্বীনা ঐখোয় ময়ামসি মশীং থীগে থৌরাংলকপদা ঐখোয় লোইনা পুনহন্নবগী খুদোংচাবা অমা পীবগুম তৌরি। অমরোমদদি য়াম্নবু ফৈ - লৈকায় অঙাং ময়াম অমা নোং হেক ঙানবদগী ট্যুসন চৎপা, স্কুল কাবদা মশক মশা খঙনদদুনা লন্বীদা ৱাহৈ অমা শোয়নবদা ফুগায়নবগী ফীভমদা লৈরবনি। হন্দক উনবগী তাঞ্জা অমা ফংজরে ইমাগী থৌজালদগী। ●

# দুকান ফম্নখিগদরা, শানবগী মমলদি

**নবকুমার ওইনা**

পোৎ শিৎপা-শিত্তবা দুকান মমাঙদা গাড়ী ময়াম খামজিল্লগা মীনা য়োমশিনবদু উদ্রেদনা। কয়া কুইননো হায়বা ঙমদ্রি, শেল তানবা লায়রি শিদ্রগা লোইরে। কোভিদ-১৯গী ওইরদি লাপ্পা-লাপ্পা লৈনরগা নাতোন খুম্নরগা য়াবজাৎনি। মদু তৌদ্রিবগী মরমদি মী হায়বা মীসে হেক্তা য়ামখৎলকপগা ৱাথোক ওইনরিবনি। লাপথোক্লৌ হায়বা য়াদ্রিবনি, গাড়ীদা অহুম তোংশিল্লগা কোয়বা য়াওনরিবনি। ফাইন থিদোক্লগা কোয়বা চৎপা ঙম্নরি। ফারগা লো তম্বীরি হায়বা য়ারিবনি। শেল তানবনি।

হায়ফম খঙদবা, তৌফম খঙদবা ৱাথোক অমনা মালেম পূম্বা লাকশিনবা ঙমদনা পুল্লাং লাংহল্লে। মী লাক্ষ-লাক্ষ শিরবা হায়বসি মীওইবগী লৌশিংদা য়াওহৌদবা হীদাক অমখক শেম শাহৌদবগীনি হায়বা তারি। অমুক্তা খঙদ্রিবা অনাবা অমগী হীদাক হান্ননা লৈবা হৌনদে। মাঙলিবসি পুন্সি খরতা নত্তে, শেনবা-থুম্বাগী মাঙবসিদা নত্তে, মীওইবগী পুৱারীদা ফজবা হায়বদুসু মাঙশিল্লক্লিবা ওইনা উরক্লি। কোভিদ-১৯গী লান মরকসিদা হান্নগী নুংশিনদবগী লানশিংদু অদুম চথবা ঙম্নরি। ফুরুপ-কাঙলূপ খায়দনা মালেমসি অমত্তনি খন্নরবা মতমসিদা ময়ূম লমদমদা লোইনমক হন্নহনবগী থৌরাং অমসু চথরক্লে। লল্লোনবগী, দুকান ফম্বগী, থবক তৌবগী, মহৈ তম্বগী, অনাবা লায়েংবগীদমক চৎনরুবা ময়ামদু মশাগী ময়ূমদা চঙহন্দনা থা মখায় অমা খোইজু-লাইখাম হাইদোকখিবা তারি।

মসি পূন্নমক মীবু ঙম্বা মহিক অমনা থোকহনবা ওইরবসু, মী মরক্তা তেংবাঙ পীনবদি হেনগৎলক্লি। অনাবসি লান্থেংনবগীনিদি হায়বা, মিংচৎ পান্বগী মানবসু য়াওরি। তেংবাঙ হায়বসি মীয়াম মমাঙদা নৎত্রবসু য়াবনি। চীংগী লাফু, হৈবা মনা ফাওবা টেলিভিজনগী মমাঙদা থোক্লক্লবনি। মসি পূন্নমক উরবসু য়েল্লকপা চেঙ চারগা হূমাং হন্থবা ঙমদনা ফল্লিব্রা/হিপ্লিব্রা খঙদ্রিবসি থাঙ্গাল কৈথেলদা, পাওনা কৈথেলদা দুকান শাল্লগা ফম্বা কাঙবুসিনি। থুম ফাওবা য়েল্লগা চারবা মতমসিদা ময়ূম ওইনা লৈরবা খরদি চেংয়েন চারে, কোবী-আলু-হৱাই য়েল্লকপা চারে হায়রিবা ময়ামসিগী মরক্তা ক্রোরপতি ময়াম অমসু য়াওরিবনি। এজেন্টশিংগী ক্রোর-ক্রোর মাঙবা য়াওরগনি, মাঙলবসু দুকান থাদোক্লগা চেনবদি য়াওনদ্রি। মরকসিদা ৱাজরিবদি খুঙ্গংদগী দুকান শাল্লগা পোৎ খরা-খরা য়োনজবশিং অসিনি। পোৎ য়োন্দ্রবদা দুকান অশানমন করম্না পীগদৌরি। মরুপ য়াওশিল্লুবগী শেলহুন করম তৌগদৌরি, মচাগী স্কুল-কোলেজগী চাদিং কমদৌবা। পূন্নমক মপানি-মপীনি হায়বগী লৈঙাক্তা তায়নরকপা য়াগদ্রা? মাঙলিবা ময়াম মরক্তা শরুক য়ানরকপা তারি।

স্কুল খরদি লোকদাউন অমদি কোভিদ-১৯ লান্থেংনবদা লুপা-লাক্ষ পুথোকপা য়াওরি। লূপ মচা-মচাশিংনা ফাওবা দোনেসন পীদুনা তেংবাঙনরি। দুকানসু হাংদ্রবা, পোৎসু য়োন্দ্রবা, শেন্দোং লাক্ত্রবা দুকান মচা ফমজরুবশিং মখোয়-মখোয়না লোইনমক মাঙজবা তাবনি হায়গদৌরিব্রা? লৈঙাক্লা করি হায়বা তারি? দুকান ময়ামসি পূন্নমক মান্নহনবা য়াব্রা? ওফিস, বেঙ্ক, কম্পেনি ময়ামসি কোনশিনবা য়াবা লো অমা লাউথোক্কদরা নৎত্রগা দুকান মপুগা শাল্লিবা মীশিংগা ঙম্না-ঙম্নবা লাউনহনগদ্রা? ৱাথোক অমদি ওইরনি, মীওই অমা-অনীগী ওইনতদি খন্নবা য়ারোইদৌরি। শীজিন্নদবা পোৎকী অশানমন লৌফমদি থোক্তে হায়রক্কনি, অমনা লো ওইনা লৈতে হায়বসু য়াওরকপা য়ারি। কোর্ট য়ৌনবা তারিব্রা, মাঙজৌননা লৈঙাক্লা য়েংশিনবা ঙমগদৌরিব্রা? ষ্টেট অসিগী কৈথেল য়াম্মী, মরক্তা হাংবা য়াবা-য়াদবা খরসু খেন্নবা লৈগনি। পূমথিং থিংজিল্লবা ময়োন ওইরিবা কৈথেলশিংদা শাল্লগা ফমজরিবশিংগী রিলিফ খরদি ফংহনফম থোকই হায়বসি লৈঙাক্লসু য়ারকপা য়াই, মীয়াম্নসু য়ানগনি, লোনসু য়াগনি খল্লি। লোদু লৈত্রগনা শেম্বা তাবনি। য়েংগদৌরিবদি লোকদাউন মনুংদা হান্নগী লোশিং চৎনগনি হায়বা য়ানরক্তবা য়াই, ইমর্জেন্সি মনুংগী লোদু চৎনবা তারকপদুনি। হায়বদি ৱাখল খনবা মতমদা অচুম-অরান অমসুং শেন্দোংগী, মাঙবা-তোংবগী ৱাফমদা য়ূম্ফম ওইফম থোক্তে হায়বনি। মীনুংশি হায়বসিগী ঙমখৈ লৈতে হায়নরিবনি, নুপী লূপ খরনা ফাওবা শেল খায়জিন্নরগা লৈবাক্কী তেংবাঙ পীনরি, য়ূম মপুশিংনা খাজনাদগী হেন্না লৌররোই হায়রকপসু য়ারিবনি খল্লকই। লো ওইনদি লৈত্রি।

য়েংখিবা তারি, মীওইবগী ফজবসি কোভিদ-১৯ লাকপসিদা কদায় ফাওবা ফোংদোক্ল রকপা ঙমগনি। তোংদ্রবা গাড়ীনা অতোংমল লৌগনি হায়বসিমা য়াররোই। মহৈরোয়গী ৱাঙাক নত্তে; স্কুল, কোলেজগী ভেনশিংনা থাগী পীফম থোকপা পীগদৌবনি হায়বা য়ারোই। ঙায়োনবী, এঞ্জাং য়োনবীশিংগীসু ওটো রিক্সোশিংদা থাগী অতোংমল অদুম পীবা তারকপরা? এনগেজ অমসুং কন্ত্রেক্ট হায়বা খেন্নবা লৈফম থোকই, লিজদা শীজিন্নরগসু খেন্নফম থোকই। লিজ ওইরবসু প্রপোজদু মপূং ফাদবা লাক্লবদি টর্ম অমসুং কন্দিসনশিংদা অহোংবা লাকফম থোকই। লোকদাউন হায়বসি বন্দ অমসুং কর্ফিয়ু ময়ামদুগা মান্নদে হায়গনি। ইচম চম্বা পোসিয়েল ইস্যু নৎত্রে লৈবাক্কী কন্সটিট্যুসনেল ইস্যু ওইরক্লবনি। ইমর্জেন্সিদা দিমান্দ তৌবা য়াদে হায়গনি, লো ইজ লো হায়গনি, মী অমগী মখূত্তা লৈতে। পীবা ঙমদ্রবশিংদা নমদুনা পিহন্নবগী লোসু লৈবা হৌনদে, দুকান্দারদু জেলদা থল্লগা কনানা ভারা পীগদৌরি।

মপানগী লম খরদা কোভিদ-১৯গী অনাবা লৈরবসু দুকান হাংবগী মওং কয়া উবা ফংলবনি। লমদম অসিগীনা লাউ-খোংলবসু ৱাখল তাবা ঙমদে হায়বগী মীয়ামগী অশোয়বা ওইনা উহল্লি। মদুগী চৈথেংনা দুকান ফম্বশিংনা হকথেংননা ফংলি। মীয়াম্বু ৱাখল চনিং তাদে হায়রিবশিংদুবু কদায় ফাওবা লৈখায় তানা থবক তৌবা ঙম্লিবগে? লৈখায় তাবা ঙমদবশিংনা তৌবা থবক্তা লৈখায় তাবা ঙম্বা হৌনদে। খ্বাইদগী লৈখায় তাদবা মফম অনীগুম্বা হায়উ হায়রবদি থাঙ্গাল কৈথেল অমসুং পাওনা কৈথেল অনীসি ওইবা য়ারগনি। কৈথেলনি হায়ববু মাল্লক্ত্রবনি, গাড়ী পৈফম, খামফম ওইরবনি। গাড়ী খাম্বগী শেল লৌরিবদুসু মিনট অনী/অহুম খাম্বগা, নুমিৎ চূপ্পা খাম্বগা শেলদু মান্নফম থোকপরা? কৈথেল হায়রিসে পোৎ ফংফম ওইনা উরক্তে, মুন্নবগা ঙম্না-ঙম্নবা লাক্লবা মফম মাল্লকপদুনি। পোৎ লৈবশিং অপঙবা শিরগা পোৎ মমল হেন্না য়োনবা য়াওরমগনি, লন্বী ময়ায়দগী ভারা চাবা হায়বা তারে। গাড়ীগী টিকেট ককপশিংনা শেল লৌনবা হোৎনগনি। এম ভিগী পুলিসশিংনা গাড়ীশিংদগী শেল খোমগৎকনি। মফম অদুগী চৎনবী ওইনা বিল্ডিং মপুশিংনা দুকান মফম্বশিংদগী ভারা য়াম্না লৌনীংলমগনি। মসিনি লমদম অসিগী চৎনবী, ওফিস অয়াম্বা কৈথেলগা মান্নরি, শেল পীদ্রবদি থবক তৌদে হায়রবনি। লমদমসি পুল্লপ য়েংবদা শেল মুন্নফম ওইরক্লবনি।

খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ওইরকপদগী কৈশাম্পাৎসু পাৎ ওইখিদ্রবনি। হিদিঙ্গা লল্লোনবশিংনা চফু, চুহি, থুম, থাও পুরগা তুরেল মরীলদা চৎলিঙৈ হি থাংবগী শেল লৌনরম্বা নত্তে। ষ্টেটকী মায় ওইরিবা কৈথেলশিংসি শেমগৎপদা লম মপু অমসুং য়ূম মপুশিংগী য়াম্না চাউবা থৌদাং লৈরি। দুকান ফম্বা হৈনগন্দবা লম অসিগী য়েলহৌ মীশিংনা কৈথেলসিগী মপূং ওইবা থৌদাং লৌবসু ঙমদ্রিবসি দুকান ওইরিবা য়ূম মপুশিংনা শেন্দোং য়েংলগা চথখিবা থৌওংশিংদা লৈঙাক্লসু ঙসি ফাওবা হকথেংননা লাকশিনবা ঙমদ্রিবা মাল্লি। মরক অসিদা ৱাজরিবদি লম অসিগী য়েলহৌমীশিংনা পামজবদগী য়ূম ৱায়রগা দুকান ফল্লিবশিংনা ৱাজরিবসি লৈঙাক্লা উবীদবা তারবদি লমদম অসিদা ৱেলফ্যের লৈত্রি হায়বনি। লোকদাউন মনুংসিদা ময়ূমদা হল্লকপা মীওইশিংবুদি চাউনা তেংবাঙ পীনরি। ময়ূমদগী চখোকহন্দ্রবা, নোংম-নোংমগী শেন্দোন্না খ্বাং কোয়শিল্লবা দুকান ফমজরুবশিংদি শেন্মীৎলোন ফাওবা য়াওনা হাত্তোকপীবা তারিব্রা? ফাজিল্লগসু থম্বীবা, শজিকসু পীজদ্রবা হুরানবনা হুবিরবা ষণগুম শা শেমফমদা য়োনবীখ্রগদ্রা, মদুগী মমাঙদা ষণবুনা শন্নিং হনবীগদৌরিবা খঙদ্রিবা দুকান্দারশিং য়াওরি।

লমদম অসিগী মীওইশিংগী থৌনা অমদি উরে। কৈথেল ময়াম পাক চাউনা শন্দোরক্লে। য়োল্লিবসি মপান্দগী পুশিল্লকপা পোৎনা অয়াম্বনি, ইশাগী পোথোক লৈত্রিবগুম্বনি। মীপূম খুদিংগী দুকান ১/১ হাংনগদৌরিব্রা? হিংবদা লল্লোনবগী লৌশিং য়াওদবা ফুরুপশিংগী চঙজফম ফংলক্তবা য়াওরবনি। মতম অসিদা মরমদম নুংশিবশিংগী ৱাখলদসু ময়েক শেংবা অমা তঙাইফদনা চঙলক্লি। মীতোপ্পা শেল হেন্না পীবা পাম্বদগী মচা-মশুশিং হাত্তোকপা ঙম্বা তারক্কদৌরি। ৱাখলদু য়াওদ্রগনা কদায় ফাওবা লমদম অসিগী লৈহাওদা চাউরকপনো হায়বগী ৱাহং লাক্কদৌরি। মতাং অসিদা 'পলর্স বক' কী দি গুদ আর্থ নীংশিংলকই। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।